HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ




ইম্ফাল ইষ্টকী নার্কোটিক সেলগী ও সী কে ঐচ দেবকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা চূড়াচান্দপুরগী মান্দোপ লৈকায়দগী কানি কিলোগ্রাম ১গা কোন্ননা ফাগৎখিবা নুপী অনী

নোংলৈ-নুংশিৎকী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা তেংবাঙখ্রে
☛ লামায় ২

নুপী চেনবা হায়বসি মতমসিদা চুনরিব্রা?
☛ লামায় ৪

হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লীহিং পাম্বী
☛ লামায় ৫

‘অহানবা তাঙ্কক্কী মিনিষ্টর ৱাশকপদা য়াওহন্দবা পেন্দে’
☛ লামায় ৬

দাইট ককচীংগী প্রিন্সিপাল দল্লিয়ু পুইন্যবতিবু ট্রান্সফর তৌবগী ওর্দর খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়না দাইট সেন্টর অসিগী মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা




Vol. 46, Issue No. 003 | থাংজ, লমতাগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, March 26, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা লুখোসৈ জৌ অমসুং মহাক্কী কাঙবুগী দ্রগ কেস

# সুপ্রিম কোর্টনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট ১সুং লুখোসৈ জৌ য়াওনা মীওই ৯দা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

### রেসপোন্দেন্ট ১০ মক্তা সুপ্রিম কোর্টনা এপ্রিল ২৯, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা চহী ৪ রোমগী মমাঙদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসননা শেল ওইনা লুপা লাখ ৪২ সিজ তৌবা য়াওনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা মল্টি-ক্রোর দ্রগ কেস অমগী এক্যুজশিংনি হায়না ৱায়েল চথবদা য়াওখিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়জ সেসৈ জৌ (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংমাং জৌ (মোরে ৱার্দ নম্বর ২) য়াওনা মীওই ৯গী মনুংদা অনী খক্তমক কনভিক্সন পীরগা অতৈনা এক্বিট তৌখিবা কেসকী ৱায়েলগী মায়োক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা প্রোজিক্যুসনগী খৃখাংদা এপ্রোপ্রিএট ফোরম অমদা আপীল চৎখিদে হায়বগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা স্পেসল রিট পিটিসন (ক্রিমিনেল) অমগী অহানবা ৱায়েলদা এপেক্স কোর্টঅসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট য়াওনা রেসপোন্দেন্ট ১০দা এপ্রিল ২৯, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিগী কোর্ট নম্বর ৬কী জষ্টিস সঞ্জয় কিষন কাওল অমসুং জষ্টিস এম এম সুন্দ্রেশকী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১৭তা লিষ্ট তৌখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন (ক্রিমিনেল) অদু ঙসি জষ্টিস অনীগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নখি। অদুগা এস এল পি (ক্রিল) অসিগী রেসপোন্দেন্ট ১০দা নোটিস ইস্যু তৌদুনা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ৱাকৎ অসিগা



মরী লৈনবা পাউখুমশিং মথং থাগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা দিরেক্সন পীখিবনি।

এস এল পি (ক্রিল) অসিদা য়াওরিবা রেসপোন্দেন্টশিংনা টেরেজা এলিয়জ নেংবোই ঙাইতে (৫৮) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা লাংলেনখুপ ঙাইতে (মোরে ৱার্দ নম্বর ১ গাঙম গ্রাউন্দ মনাক) হৌজিক্কা মন্ত্রিপুখ্রিগী বাইফৈ ভেঙদা লৈবা, তুংখানমুং জৌ এলিয়জ অরিক (২৩) অপোকপা গিনজামুৱান (মোরে ৱার্দ নম্বর ২ গমনোং ভেঙ) হৌজিক্কা মন্ত্রিপুখ্রিগী লমলোংগৈ বাইফৈ ভেঙদা লৈবা, ইষ্টর ভুংহৈনুৱাং এলিয়জ ইষ্ঠর (২৬) মপুরোইবা পাওপু ঙাইতে (মোর ৱার্দ নম্বর ১ গাঙম গ্রাউন্দ মনাক) হৌজিক্কা মন্ত্রিপুখ্রিগী বাইফৈ ভেঙদা লৈবা, থাংমিনলুং জৌ (৩৪) অপোকপা চিনসুৱানলম জৌ (সিংহাটকী লুনমুৱাল ভিলেজ) হৌজিক্কা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন ১দা লৈবা, লোরেঞ্জ জৌ (৫৪) অপোকপা লুংগিন জৌ, লমলোঙ্গৈ (মন্ত্রিপুখ্রি), লুখোসৈ জৌ এলিয়জ সেসৈ জৌ (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংমাং জৌ, মোরে ৱার্দ নম্বর ২, সিয়ানজাথাং জৌ (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা লুমজাপৌ জৌ (মোরে ৱার্দ নম্বর ২ গমনোং ভেঙ) হৌজিক্কা মন্ত্রি পুখ্রিগী লমলোঙ্গৈ বাইফৈ ভেঙদা লৈবা, নিয়াংকাসুৱান জৌ (৩৯) মপুরোইবা সিয়ানজাথাং জৌ (মোরে ৱার্দ নম্বর ২ গমনোং ভেঙ) হৌজিক্কা মন্ত্রি পুখ্রি লমলোঙ্গৈ বাইফৈ ভেঙদা লৈবা, পাওসুৱানলম জৌ এলিয়জ পাওৱি এলিয়জ পপাও (৩৫) অপোকপা গিনজাদল জৌ (মোরে ৱার্দ নম্বর ২) হৌজিক্কা মন্ত্রিপুখ্রি লমলোঙ্গৈ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মরোল থোকপা লাই




### সাপোগী ইন্দিফিনিট বন্দ

# মণিপুরগী ঙমখৈদা কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই ঃ বিরেন



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) : হৌজিক মণিপুর-নাগালেন্দগী ঙমখৈ নক্লা লৈবা মফম অমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী পর্মিনেন্ট ষ্ট্রকচরশিং শাবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী খূৎলায় পায়বা পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌরিবা অসি লৌথোক্কদবনি হায়দুনা সাউদর্ন অঙ্গামি পব্লিক ওর্গনাইজেসন (সাপো) না মতম কক্তনা চথরক্লিবা বন্দগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরগী ঙমখৈগী মতাংদা কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক পুং ৮ তারকপদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী বঙ্গলোদা পাঙথোকখিবা হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা এন্টি নার্কোটিক্স টাস্ক ফোর্স (এ এন টি এফ) গী এচিভমেন্টশিংগা মরী লৈনবা পাউগী মীফম অমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতম কক্তবা বন্দ অসি সাপোনা মখোয়গী সাউদর্ন অঙ্গামিগী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা চথবনি। অদুগা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা মণিপুরগী পার্মিনেন্ট ষ্ট্রকচরশিং অমসুং দিপ্লোই তৌরিবা ষ্টেট অসিগী খূৎলায় পায়বা পর্সনেলশিং লৌথোকউ হায়বনি হায়খি।

অদুবু মণিপুরগী ঙমখৈগী মতাংদদি মখল অমত্তগী প্রেসরদা কৈদৌনুংদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়খি।

সাপোনা চথরক্লিবা ইন্দিফিনিট বন্দ অসিগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা এন বিরেননা হায়, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সনামহীগী মীফম

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএন এস) : থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শগোলবন্দ সয়াং লৈরক মচিন্দা লৈবা সাপম ভৈগ্যগী য়ূমদা সনামহী লাইনীং চৎপশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্লগা এসোসিএসন অমা শেল্লগনি অমসুং রেজিষ্টর তৌনবা হোৎনরগনি হায়রি। মেম্বর ওইবীনীংবশিংনা মশা মশাগী পাসপোর্ট ফোটো ২, আধার কার্দকী জেরোক্স কোপি অমা পুরগা মতম চানা লাকপীনবা ইন্টরনেসনল সনামহী এসোসিএসন, শগোলবন্দ তেরা পুখ্রি মপালগী ওনরেরি সেক্রেটরি সাপম ভৈগ্য এলিয়জ সনাতোম্বনা আপীল তৌরক্লি।

## প্রধান ফারে

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএন এস) : ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর ১ (২) ২০২২গা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল পুং২.১৫ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী খা-থিনুঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী হৌজিক প্রধান ওইরিবা নিংথৌজম রমানন্দ অপোকপা এন বাবুধোন, থাঙ্গ মমাঙ সাবল লৈকায় (খা থিনুঙ্গৈ) ফারে হায়রি।

ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন মণিপুরগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## দাক অদালট

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএন এস) : থা অসিগী ৩০গী অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসকী অনীশুবা ফ্লোরদা লৈবা মণিপুর দিভিজন ইম্ফালগী দিরেক্টর পোষ্টেল সর্ভিসেসকী ওফিসতা দিভিজনেল লেভেলদা দাক অদালট পাঙথোক্লগনি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস (মণিপুর), ইম্ফালগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

দাক অদালট অসিনা পোষ্টেল সর্ভিসকা মরী লৈনবশিং খন্নগনি।

## জেনরেল ষ্ট্রাইক

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএন এস) : থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯দা লৈবাক শিনবা থুংনা চথগদৌরিবা সেন্ট্রেল ট্রেদ য়ুনিয়ন/ইন্দিপেন্দেন্ট ফেদরেসন্স/এসোসিএসন/সময়ুক্ত কিষান মোর্চাগী জেনরেল ষ্ট্রাইকপু ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা শৌগৎকনি হায়না সেক্রেটরি এ সরতচন্দ্রগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Manipurbu corruption free state oihangani hairibasi soidana thabakta onthokpa ngamgani haiba thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Chief Minister/ Ministersingi portfolio laothokpadasu leader khanbadouna matam khara changkhigadra?

Yes 100% No 0%

## অস! লোইরেহে!

- হন্দক্তি ঐনা কারবনিনা অহোংবা খরা লাক্লনি।



- অহোংবা লাক্তৌরিসি সারদরা ঐখোয় প্রজাদরা?

## য়াওশঙগীদমক লম্বী থৎতুনা খাইখিবা শেল ওল্ড এজ হোমদা তেংবাঙখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৮দগী হৌরক্লগা ২২ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা পাঙথোকখিবা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা লৈশাবী মচাশিংনা লম্বীগী অচৎ অওকশিং থৎতুনা খাইখিবা শেলশিং অদুনা নোংমগী হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈদুনা কুম্বী তেরাখোঙ লমলোং ভিলেজদা লৈবা অহল ওইরবশিংগী সিনিয়র সিটিজেন্স হোম (শান্তি আশ্রম) দা তেংবাঙখ্রে হায়রি।

হোম অসিদা তেংবাঙখিবা পোৎলমশিং অদুদি চেঙ বেগ ৩, আলু বেগ ১, ঙারি পেকেট ৩, চনম কিলোগ্রাম ৬, তিলহৌ কিলোগ্রাম ১০, বিস্কুইট (মেরিগোল্ড) বোক্স ১ অমদি থাও-থুম অমসুং মোরোকনচিংবনি হায়রি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোং অৱাং লৈকায়দা লৈবী লৈশাবী মচাশিংনা য়াওশঙগা মরী লৈননা লম্বীদা অচৎ অওক তৌবশিংবু থৎতুনা খাইখিবা শেলশিং অদুনা লৈরগা হোম অসিদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংগীদমক মতেং ওইনা পীখিবনি হায়রি।

লৈশাবী মচাশিং অসিনা মমাঙগী চহীদসু থাবল চোঙনবনি হায়দুনা লম্বী থৎলগা শেল খাইরুরবা মতুংদা চিলদ্রেন হোম অমদা শেলশিং অদু মতেং ওইনা পীখিবা লৈখ্রে হায়রি।

ঙসি নিংথৌখোং অৱাং লৈকায়গী লৈশাবী মচাশিং অদুনা সিনিয়র সিটিজন্স হোম অসিগী মীওইশিংদা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংখিবগা লোয়ননা মতুং তারকপা চহীশিংদসু মখোয়না য়াওশঙগীদমক মীঙোন্দগী খাইখিবা শেলশিংনা চিলদ্রেন হোম অমসুং ওল্ড এজ হোমনচিংবদসু মখা তানা তেংবাঙবা ঙম্নবা হোৎনখিগনি হায়রি।

# দিমান্দ ৩১গী সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টসকী লুপা ৪৪,৫৫৪,০৩০,০০০গী শেনফম পাস তৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : ঙরাংদগী হৌখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা মীফমগী ঙসি নুমিৎ নীনি চল্লকপা সেসনদা হাওসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা টেবল তৌখিবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৩১গী অপূনবা শেনফম লুপা ৪৪,৫৫৪,০৩০,০০০গী সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টসকী শেনফমশিং হাওসনা য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখ্রে।

ঙসি হাওসনা পাস তৌখিবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিংগী শেনফমশিং অদুদি ষ্টেট লেজিসলেচরগী লুপা ১৭,৮২,৪২,০০০, ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী লুপা ৬৯৪,৫২,৩২,০০০, ট্রান্সপোর্টকী লুপা ২৫,৮৩,০০০, পুলিসকী লুপা ১৩,৪২,৬৩,০০০, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী লুপা ২৪৫,৪১,২৫,০০০, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী লুপা ১,৩৪,৭৭,০০০, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী লুপা ১২,৫৭,৫৪,০০০, মেদিকেল, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র সর্ভিসেসকী লুপা ৩৮৭,৩৮,১৭,০০০, ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাওজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্টকী লুপা ২৭,৯৬,৫৬,০০০, লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্টকী লুপা ৪৩,৪৭,০০০, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী লুপা ১৫,০৩,৭২,০০০, এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং ভেটিরিনরিগী য়াওনা দাইরি ফার্মিংগী লুপা ৭,৫৫,৬৯,০০০, এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টকী লুপা ৭,৫২,৯৫,০০০, কম্যুনিতি অমসুং রুরেল দিভেলপমেন্টকী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# দ্রগকা কোন্ননা ফাবা মীওইশিং কম্পলসরি ওইনা চহী ১দগীনা ২ ফাওবা জেলদা থম্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচএনএস) : হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা দ্রগ পেদলর/দিল্লরশিংনা লৈঙাক্তা চঙজরক্কদবনি নৎত্রগদি মখোয়গী মথক্তা লৌখৎলকপা অকনবা থবকশিং মায়োক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংগী খৃথাংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিক্লবা দ্রগকী ফীভমগা মরী লৈনবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্কা ফোঙদোকখিবনি।

ইল্লিগেল দ্রগশিংগবু কোন্ননা ফারবদি ফাগৎলিবা দ্রগশিং অদু য়াম্বা য়ামদবা থিদনা মীওই অদু য়ামদ্রবদা চহী ১দি শোয়দনা জেলদা থম্লগনি অমসুং হায়রিবা চহী অমগী মতম অসি মরী লৈনবা এক্টকী মতুংইন্না চহী ২ ফাওবা শাংদোকহনগনি হায়খি।

পুলিসকী মায়কৈদগীসু ফারিবা দ্রগশিং অদু য়াম্বা য়ামদবগী ৱাফম নত্তনা ইল্লিগেল দ্রগকা কোন্ননবু ফারবদি মীওই অদুগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎকনি। অদুম ওইনমক রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা ডাক্টরশিংগী মীৎয়েং মখাদা লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনদি দ্রগশিং শীজিন্নবদা কোমথোক্কনি হায়খি। হৌজিক মণিপুরদা ওইরক্লিবা দ্রগকী ফীভম অসি পুলিসকী মায়কৈদগী হৌখিবা চহী ৫দা ৱার ওন দ্রগস - ১ কেম্প্যেনগী মখাদা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাগৎলবসু মিপাইনীংঙাই ওইরে হায়রদুনা অসিগুম্বা ফীভম অসি মণিপুরদগী মরূ ফংনা মুখৎনবা ৱার ওন দ্রগস -২গী মখাদা গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হোৎনরগনি হায়খি।

পাউমীশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোল্লদুনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা আই জি পি (জোন-৩) নিসিটকুমার উজৱালনা লুচিংবা এন্টি-নার্কোটিক্স টাস্ক ফোর্স (এ এন টি এফ) শেম্লে হায়খি। টাস্ক ফোর্স অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমা নৎত্রগা কাঙলূপ অমত্তগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

# ৪২শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেদা ইন্টরিম কাউন্সিলগী চ্যেরমেননা পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ : পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী ইন্টরিম কাউন্সিল (রেদ আর্মি) গী চ্যেরমেন অহৈবা অঙোমনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ৪২শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগা মরী লৈননা ইন্টরিম কাউন্সিলগী চ্যেরমেননা মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুংশিজরবা ইরৈচাশিং হায়না হৌরদুনা পাউজেল অসিনা হায়, কুমসিং ২০২২, মার্চ২৬ থাংজ নুমিৎ অসি পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী খূৎলায় পায়বগী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মিগী ‘৪২শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে’ থৌরমনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা লোইমপু ইন্দিয়াগী লৈঙাকখাদা লোইলম চৈনা খাংলিবা ইরমদমগী ইরৈবাকচা পূম্নমক্তা ইন্টরিম কাউন্সিল, প্রিপাককী চ্যেরমেননা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা নীংতম য়াওল ঈহৌগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমদা য়াওল তৌমিন্নরিবা য়াওল্লুপশিংগী লান্মী শঙলূপ পূম্নমক্তসু য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। অসিগুম্বা কংলৈপাক্কী য়াওল ঈহৌগী পুৱারীদা শিংথানীংঙাই ওইরিবা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক মীয়ামদা ৱাফম খরা থম্লক্লি। মালেমগী চৎন-কাঙলোন থুগাইদুনা কংলৈপাকপু ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবদগী হৌনা ঙসি ফাওবা কংলৈপাক্তা ফুরুপকী নীংতম ঈহৌ অমা লেপ্তুনা চথরক্লি। কুমসিং ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা কংলৈপাক্কী নিংথৌগা দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎকা তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুবু কুমসিং ১৯৯৩গী ওক্টোবর ২৮-২৯দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা নেসনল কনভেন্সন ওন কংলৈপাক মর্জর ইস্যুনা লিগেলিটি অমসুং কন্সটিট্যুসনেল ভেলিদিটি লৈতে হায়খি। মসিগী মখা তাবা ফিরেপ ওইনা ১৯৪৯গী মর্জরনি হায়বা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কুমসিং ১৯৯৪গী দিসেম্বর ৮দগী ৯ ফাওবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং থিংজিন্নবা খঙহনখ্রে

### অনৌবা কেস ৪ খক্তমক থেংনখি, এক্টিভ কেস ৩৩ খক্তা ঙাইরে, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী এনগেজদ্ ষ্টাফশিং লৌথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ২৫ (ঐচএনএস) : হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী অহুমশুবা ৱেভ মায়োক্লরিবা ওইরগসু নুংতিগী থেংনবা অনৌবা পোজিটিভ কেস মশীং শীংথানবা য়ানা হন্থরকপা অমসুং পোজিটিভিটিগী চাংসু য়াম্না নেল্লকপগা ইরোয়ননা মহৈশঙশিং য়াওনা এক্টিভিটি পূম্নমক মহৌশাগুম্না হাংদোক্লরকপা ফীভম অসিদগী মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসরশিংদা মখোয়না য়েংশিন্দুনা লৈরক্লিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং থিংজিন্নবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক লম্ফেলপাৎকী আর দি ৱিংদা লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরবুদি হান্নগুম্না মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা হোস্পিটালশিং অমসুং লৈঙাক্কী হেল্থ সেন্টরশিংদদি মহৌশাগুম্না অনৌবা কোভিদকী টেষ্টশিং মায়োক্লরকপদা লৌখৎফম থোকপা অনা লায়েংগী থবকশিং লৌখৎখিগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরদা ইদুনা খঙহনখিবা চেরোল অমদা লম্বোইখোংনাংখোঙ অমসুং খুমন লম্পাক্কী বাল ভবনদা লৈরকখিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং শেংদোক চামথোক্তুনা থম্বগা লোয়ননা সেন্টরশিং অসিদা শীজিন্নরকখিবা পোৎলম পূম্নমক মফম চানা থমজিন্নবসু খঙহনখি হায়রি। থৌরাং অসি করিগুম্বা অমুক হন্না কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অসিগী পোৎলমশিং অসি মথৌ তারকপদা শীজিন্নবা য়ানবগীদমক্তনি হায়রি।

অদুগা ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী পেসেন্টশিংনা আর দি ৱিংদা লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা পূন্না লৈরগনি হায়রি।

লোয়ননা লৈঙাক্না চলাইবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা দেলি ৱেজ ষ্টাফ অমসুং কন্ট্রেক্ট্যুএল বেসিসতা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নরকপা ষ্টাফ পূম্নমক খুদক্তগী লৌথোক্লগনি হায়রি। মখোয়গী মহুত্তা হেল্থ সর্ভিসেসকী রেগুলর ষ্টাফশিংনা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবগী থবক চথরগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি ...মখা লামায় ৩ কলম ২




HL-B/7536/17 March.to 21 April